হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ২১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৬৫শুবা মশীং

# ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১

## ৱাতুপ্পবা ৱারোইশিন পুরকহৌবা চুমগনি

মণিপুরগী ১১শুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মতম লোইশিল্লক্লে। অনৌবা ১২শুবা মীখল পাঙথোক্কদৌরে। পাঙথোক্কদবা মীখলগী মতমসু অসুক্কী মতিক নকশিল্লক্লে। মরমদি অনৌবা মীখল অসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমসুং চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা শেম-শাবগী থবক থৌরম পূম্নমক লোইশিল্লক্লে। থৌরাংশিং অসিগী মথক্তা হৌজিক লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটেরিশিং অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগী ওইবা মীফম অমা দিসেম্বর ২৩, ২০২১দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে। মীফমসি পাঙথোল্লগদবা অনৌবা মীখলসিগী নুমিৎ লাউথোরকপদগী মীখলসিগী মরী লৈনবা থবক পূম্নমক মপূং ফানা পুমলোই লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা চৎনগদবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী মতাংদনি। চীফ সেক্রেটেরিনা চ্যের লৌদুনা সেক্রেটেরিএট সাউথ ব্লোককী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কদবনি। মসিনা তাকপদি অনৌবা মীখলসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনগদবা ইলেক্সন নোটিফিকেসন থোরল্লগনি হায়বনি। তৌসনু পাঙথোকফম থোক্লবা অনৌবা মীখলগী হৌনবীনি, তৌফম থোকপনি। পূম্নমক্না ইলেক্সনসি 'ফ্রী এন্দ ফ্যের' ইলেক্সন ওইহন্নবা হোৎনফম থোকই। অদুবু অনৌবা মীখলগী মতম নকশিল্লক্লবা তাঞ্জাসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি ইলেক্সনসি পাঙথোক্ত্রিঙৈদা লৈঙাকসিনা মাঙদা তারিবা ইস্যুশিংসিগী ৱাতুপ্পবা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা চুপ্লোইদ্রা হায়বনি। মরমদি হৌজিক মীখলগী কেম্প্যেন খম থেংনা কনখৎনরক্লে। পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিংগী খ্বাইদগী থবক চিনবা মতম হায়বদু ওইরক্লে। অদুবু লৌমীশিংনা পোইনুদা লৈখিদ্রবা অপোকপী মমাগী হকচাং ফাওবা ফক্লোংনা কুপশিন্দুনা থল্লগা লৌ য়ৈ হায়রগসু হৌজিক ষ্টেটসিদা মায়োক্লরিবা ইস্যুশিং অসিদি শন্তাইনবা পুরক্তনা উৎনা ৱাইনা খুমজিল্লগা মীখল পাঙথোকপদা খোঙলৌ পলহৌরোইদ্রা হায়বগী ৱানি।

হৌজিক লৈরিবা ইস্যুশিং অসিগী মনুংদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১ এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম কৌরগা খন্নগদবনি হায়বা য়াওরি। মীতৈ/মৈতৈবু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থাফম থোকপা রেকমেন্দেসনশিং থাগদবনি হায়বসু লৈরি। চহী কয়াগী মমাঙদগী তান্দুনা লাকপা দিমান্দ ওইরবসু হৌজিক ফাওবদা মপূং ফানা ফংদবদগী মীয়াম্না পাম্নরিবা মণিপুরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৫৩দগী দিষ্টর্বদ এরিয়াগী ষ্টেটস অমসুং আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱর্স এক্ট, ১৯৫৮ রিপিল তৌবগী ৱাফম লৈরি। তোয়না অমসুং কন্না মথি ফোংলক্ত্রবসু মণিপুরগী সনামহী লাইনীংবু লৈবাকসিগী মাইনোরিটি রিলিজনগী লিষ্টতা চলহন্নবগী তক্লবা লৈরি। অদুবু হৌজিক ফাওবদদি দিমান্দ খরসিগী মতাংদদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলকপগী মমি তাদ্রি। মচি লেংবা উদ্রি। অদুনদি তৌনীংবা দিমান্দ তৌরকসনু লৈঙাক্না তৌনীংবা থবকশিংনা তৌনি, তৌনীংদবশিংনা তৌরোই হায়দুনা লৈথোকপা য়ারক্কদ্রা হায়বনি। মরু ওইবা হকথেংনরিবা ইস্যু খরসিদদি য়াইরোংনা য়াইরোং, শবিরাইনা শবিরাই হায়দুনা লৈথোকপসু য়ারগদ্রা হায়বনি। মরমদি হৌখিবা দিসেম্বর ১৮, ২০২১দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌখ্রবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১গী দিমান্দসি তকশিল্লদুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চঙশিনখ্রিবনি। মসিগী মমাঙদসু খোঙজং কয়া চঙশিনখিবা লৈখ্রে। তাল্লিবা দিমান্দসিগী য়ানবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রবদি মখা তানসু চঙশিল্লকখিগদবা মাল্লি। হোয়, বিলসিগী মতাংদা খন্ননবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিটিনচিংবা শেমখিবা লৈখ্রে। মীফমসু পাঙথোকখ্রে। এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটি (ঐচ এ সী) না রেকমেন্দ তৌরল্লবা বিলসি অতোপ্পা কম্মিটি নৎত্রগা ওথোরিটি অমনা শেমদোক-শাদোকপা অমসুং ককথৎপা ঙম্বা-ঙমদবগী ৱাফম নত্তনা তাল্লিবা দিমান্দসিদি এসেমব্লিদা পুথোল্লগা খন্নৌ, মসিগীদমক স্পেসল সেসন অমা ফম্মু হায়বনি। কম্মিটিগা শেন্বগী থৌওংসিদি লম্বোইবদা শমজেৎ পীবগী থৌদৌ তানি। অদুবু অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু ৱাখৈনবা অমদি পুরকপা চুমগনি হায়বনি। সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুরগী মায়কৈদগীসু অরোইবা মতম থারক্লি। দিসেম্বর ২৭, ২০২১গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা রেকমেন্দেসন থাদ্রবদি মথংগী নুমিৎতা পুং ১৮গী জেনরল ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়রি। মসিমসু তয়াং-তয়াংনা লৌবা য়ারক্কদবা মান্দে। ইশম-শম্বদা অসিগুম্বা চীং অমসুং তমগী ওইবা ইস্যুশিং অসি নীংথিজনা লোইশিন্নদুনা থুপচিল্লগা থমখিবা নৎত্রগদি শোয়দনা পাঙথোল্লগদবা মীখলসিদা অয়েৎপা-অপনবা পীরক্লোইদ্রা হায়বনি। মতম লৈশিল্লক্ত্রবনি, সোল্যুসন থিয়ু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩২

১) মণিপুরগী মমিং চৎলবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি ***"কৈথেল লুকোক"*** হায়বসি। কনানা ইবা করি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনো?

২) **"কিশি"** হায়বা (২০১৬তা ফোঙবা) লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) রঘু লৈশাংথেমনা ইবা ***"খুঙ্গংগী চিঠি"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা করি মমিং হায়না ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) ***"ঙসি ঙসি হয়েং হয়েং মাঙখি মতমসু।/হন্না য়ৌনবু য়েংবীরমদে কনাবুসু।/নুংশি হৈতবী মতমনি/ৱারকচেৎপী মহাক্লি।"*** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***"লাইথুং মখাক লাইমন মচিৎ"*** হায়বা লাইরিক্কী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইংলিস লোল মীগী মরোলনি, ঙাঙবদা চেকশিনহঞ্জনীংই

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৮৪

জিতেন নামৈরাকপম

খল্লুবদা পুন্সি অসি পংনুংদা নুংশিরকই। করিগীনো হায়বা খঙজদেকো ঐহাক। অদুবু খল্লু খল্লুবা মতমদা পুন্সি খোঙচৎ অসি অসুম পংনুংদা নুংশিরকপগী ৱানি। মতম অমদা অঙাং ওইরম্বা, মথং মথং চাওখৎলক্তুনা মপূং ফারকপা, থেংনবা য়াবা খুদিংমক অসুম থেংনরকপা অদুগা হৌজিক্লা অমুক মীয়াই চল্লবা মতম হায়বদু য়ৌরকপা। হৌজিকপুদি ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক মীয়াম পংলাংদা লাংনরি। ভোট অসিনা লোইখ্রবা মতুং চহী ৫গী টর্ম লোইশিল্লকপা মতমদা চহী ৬০ হায়বদু ঐ লাম্থোক্কদবগীদমক ঙাইদুনা লৈজরে। ঐগী পুন্সি চেঙজেল অসিনা কয়া'মুক য়াম্না হিংবা তন্বীরগবা, মদুসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। করম কান্দা হৌরকখিবা, করম্বা মতমদা লোইশিনখিবা মথোং মরম খঙবা জাৎ নৎত্রে। অদুবু মসিমতংদি তৌজনীংই, ঐনা হেক পোল্লকপদগী শিদ্রিঙৈগী মতম অসি ফাওবদা করিগুম্বা মশক থোকপা, মচং ওইবা করিনোমদি তৌজনীংখিবনি। অদুবু খন্ন-খন্না করিমত্তদি লোইশিনবা ঙমহৌদে। মতমদি অসুম অসুম খঙহৌদে, হৌখি। করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমহৌদনা হিংবা পুন্সি মরেল হায়বদু ওইগদৌরিব্রা? মদুসু তম্বা ঙম্বা নত্তে।

মতাং অসি য়ৌরকপা মতমদা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি নমথদুনা থম্বা ঙমদে। নীংশিংলক্কনু হায়বা শুকয়া হেক য়াদে। পুংকক চাওরকপদগী মপূং মরৈ ফাগৎলকপা পুন্সিগী মতাং অদুসু কাউবা শুকঙম ঙমলরোই। মতম অদুগী পুন্সি মরেল হায়রেদনা খরা চা, খরা থক, অরৈবা ফিরোল খরা শেৎ-চা তৌবা, লাইরিক তল্লিবনি হায়দুনা মেন-মান তাবা জাৎ নত্তে। পংলৈ লৈবা, পংচা চাবা, নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা মতম লেন্দুনা ঙাইবা হায়বা তাই। মহৈ মশীন তল্লিবনি হায়দনা তৌরিবা অদুসু মথোং মরম খঙবা জাৎ নত্তে। পংতৌ তৌরিবা হায়বদুনি। মতম অদুদা ঐখোয়না খঙলকপা মতমদা লৈকায় লৈকায়দা, খুনদা-করিদা তিননা কূপ্পা যূম কায়দু অতাঙবনি। শাৎনা হৈবা যূম কায়সিদি ঙরাং নহান্তনি হায়বা য়াই। যূমশিংদুনা কমদৌবা। ক্বাক মখোঙ পুখ্রবী যূম ঙাক্তনা অয়াম্বনি। চরূনা কূপ্পা, ঈ-না কূপ্পা যূম, শঙ্গোয়, য়েনখা-লুখা নোং তারকপা মতমদা ঈশিং য়াবদা নোংয়াহিদু অয়ূক্কী চা অঙাংবগী মচুগী ঈশিংনি। ইলেক্ট্রিক্কী মৈ থানবা কায়সিসু অয়াম্বনা কুমজা ১৯৮০গী মতুং ওইগনি। লালটেন, পোদোন, পালং চেমনি য়াওবা মৈঙান্দা নুমিৎ তাখিবগী মৈঙাল ওইনখিবনি। চাক থোংবা, ঈশিং লূম্বা হায়রে শম্থি খোইদুম, খোইবাক, চৈদা লেংলগা শাবা শম্থি চৈ, নীংথম কৌবিলা, মখল মখলগী উশিং মসা থাখিবগী শীংতেক শীংনাংনা চাকথোঙ শীং, ফুঙ্গা হৌগৎপগী মৈচম ওইনখি। মতম অদুদা মণিপুরদা এল পি জি চাকথোঙ গ্যাস থোরক্ত্রি। কেরোসিন ষ্টোভতি শীজিন্নবা হৌরকখি। নুমিদাংৱাইরমগী লম্পাক্তা হুমাং শৌনা নুংঙাইনা শান্নরিঙৈ মতমদা কৌরক্তুনা কোট মনুংদা কাহন্দুনা ফৌ লাইতঙ-লাইতঙ খাইহনখিবা অদু কাউবা ঙল্লরোই। ফৌ শুবদা মতেং পাংহনগনি, চক্রি তকহনগনি, ফৌরাদা ফৌরিবা ফৌ লৌশিনহনবা, শুম্বলদা শুক্লা তান্ন-তান্নদুনা ফৌ শুমিন্নখিবা, করিগুম্বদা শুম্বলদা থাংগৎলিবা খোঙ থাংথবা নংহৌদদুনা খোঙবী কায়বফাও য়াওখি। ওম্বোক্লা নুংশিখ্রে মতমদু।

মতম অদুগী পুন্সি মরেল অদু খঞ্জিল্লুরগদি নুংশিবগী নুংশিবা মক্তনি। মতম অদুদা বাথ রুম লৈনরম্বা, লেট্রিন-টোইলেটকী ফীভম করি ওইরম্মী, মওং মরীল তাখিদবা মক্তনি। ইরুজরে লৈকায়গী পুখ্রিদা জবং-জবং চোংথবীনি। নুপীসু মঙায়, লৈশাবী-মৌ পুখ্রিদা লৈবা নাকলগী সিড়িদা ইরুজবা, যূমগী ফি খুদেং খুদেং থল্লপ-থল্লপ পুথোক্লরক্তুনা ফিশু ফিজাম তৌনরম্বা, চেঙ চাম্বসু চেঙজামুক্তা, হঙ্গাম চাল্লবসু পোলাং অচৌ অচৌবা পুথোরক্তুনা পুখ্রিগী থোঙ্গ্রাদা জোম জোম চান্নরম্মী। মদুনবু হেন্না মহাউ লৈবগুম খল্লি। মতম অদুগী শুমাং থেল্লোং হায়রেদনা নাপী হৌদবা মফম অমত্তা লৈতে। নোংজু থাগী মতমদদি শুমাংগসি বৃদি-বৃদি পুথবা নূঙ হায়বদু মশক উবা ফংদে। লৈখোমগী লৈখোম মক্তনি। মৈ, লম্বী, সরক, ঈশিং-মাইশিংগী ফীভম অসুক্কী মতিক ফৎলমদে। মতম অদুদা টোটি ঈশিং থকপা ফংখিদে, ঙসি ঙরাংতা ফংলি হায়বা য়াই। সিংদা দামদগী লাকপা পাইপকী ঈশিং খরা খরদি তাজরে, হপ্তা অমদা অনী/অহুম্লক্তি য়াবা ফংজরে। ঙসিদগী চহী ৪০/৫০ রোমগী মমাঙদা ইম্ফাল ভেল্লিগী চাওখৎ থৌরাংগী ফীভম পুরা পুরি জিরোনি। ইম্ফাললোমদগী খরা হাইদোকখিবা খুঙ্গং, তাম্না উরিবা মফমশিং চীংয়া-তময়া করি ওইরমগনি। ৱাখলনা অমুক্তং শাগৎপীদুনা য়েংবীয়ু। নেচরেল ব্যুটিনা য়োমশিল্লগা লৈবনি। আর্টিফিসিএল ব্যুটিদি পুরা জিরোনি। নেচরেলগা আর্টিফিসিএলগা অনীসি পুংবা য়ান্নদুনা চৎপা মতমদা ফজবগী মশকসু উহনবনি। চীং, পাৎ, তুরেলগী হৌরিবা পাম্বী, শা-উচেক, লেংলি পাল্লিবা থা, থৱান্মীচাক্কী ফজবদা আর্টিফিসিএল ব্যুটিনা পাওদর মচেৎ অমা থারবা, লিপষ্টিক হাইফেৎ শংজিনবগী ফজবসু অদুম্মক লৈবনি হায়জনীংই।

হৌজিক অসি ফেসবুক্তা করিদা সোসল মীদিয়াদা ঐখোয়গী লৈঙাক মপু ওইরিবশিংনা ইংলিস শেরান তুরান ঙাঙবগী ক্লিপিং কয়া লেপ্তুনা থাগৎলক্লি। ইংলিস লোলদি লোনবা ইহৈ হৈতনা পংঙাঙদা ঙাঙবা, লান্না পাউখুম খুম্বগী হৈনবী থাদোরকপা মতমদা নহাশিংনা নোক্লবগী ফীভমদা লাক্লে। মসিমক্তি তৌহন্নীংদে। ইংলিস লোল হায়বসি মীগী মরোলনি। নঙগীসু নত্তে, ঐগীসু নত্তে। মেন মান তাদনা পংঙাঙদা ঙাঙশিল্লবদি মীয়ামগী নোক্লফম শোয়দনা ওইগনি। ইংলিস লোল হায়বসি ইন্টরনেসনল লোল ওইখ্রবনি। ঐখোয় হৈতবা কাঙবুনা ঙাঙবা মতমদা মীয়ামগী নোক্লফম শোয়দনা ওইগনি। ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা কয়া অমসু জর্নেলিষ্টশিংগী ইন্টরভিয়ুদা মীমাঙ থোক্তুনা চোপ্পা কয়া অমা য়াওখ্রবনি। খরা চেকশিনবীবনা ফবনি খঞ্জে। অখঙবা ঐখোয়গী ইমালোল ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা মৈতৈলোলদা অদুম্মক ঙাঙবীয়ু, খুন্বীয়ু। ত্রান্সলেটর হায়গেরা, ইন্টরপ্রিটর হায়গেরা ফাওনলোল ঙাঙবা হৈবা ওফিসর ধমাদা লৈরবনি। মখোয় অদুম্মক অর্থ হন্দোকহল্লু। ঙাঙবীয়ু-খুন্বীয়ু। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ইংলিস লোল ইতম তল্লক্তে, ঙাঙবসু কয়া ঙাঙলক্তে। অখঙবা হৈজবা এরিয়াদুখক্তং ঙাঙজে। ৱা ঙাঙবা মতমদা য়াম্না চেকশিনহন্নীংই। ঐখোয়গী মপি মপা ওইরিবশিংনা ইংলিস লোল ঙাঙবা মতমদা খরা হেন্না চেকশিনহঞ্জনীংই হায়জনীংই। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৪৯

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

"মৈতিংঙু পাইখোম্বা (খৃ: ১৬৬৬-৯৭) গী সনা হাক্তক ফাওবদা মশক লেপ্পবা লৈবাক্কী অনেম অৱাংগী মথং মনাওদা - নাইখু, নাইফা, তম্পাকলোই, চীংলোই য়াইথীবী অমসুং বামোনশিং অসিনি। বামোনশিং মৈতৈ নিংঙোল অমসুং চীংমী নিংঙোলগী মচা মশু ঙাক্তনি। হিন্দুগী লাইনীং লিচৎ লৌখিবদগী বামোন থাক অসি খংৱাং ৱাংখৎলকখি। মখোয়না লাইশোন তিনশোন্দগী হেন্দোরক্তুনা শা-লান, লৈঙাক্লোন অমসুং লাইবারগী থাক্তা থবক তৌবা হৌরকখি। লৈবাকসিদা হিন্দু লাইনীংবা কয়া লেপ্তুনা লাকখি। মৈতিংঙু চরাইরোংবনা নিমান্দি লাইমিং লৌবা মতম ইকান কান্নদনা মুনি ৱা ঙাঙদবা ২২ অমসু ময়াং লৈবাক্তগী থোক্লক্লম্মী। বনমালি অচার্য্যনা মৈতিংঙু চরাইরোংবগী গুরু ওইবদগী মহাক্কী যূম্নামকপু **গুরুঅরিবম** ওইনা পীরম্মী।" (নিংথৌরোল ইনোৎ, চেমায় ১৮৮)

ঈনাৎ লাইনীংগী য়েক্তা ময়াং লাইনীংগী গোত্রনা খোঙচেক হাইবা - মপাবুং মৈদিংঙু চরাইরোংবগী সনা হাক্তক্তা কংলৈচাশিংবু মীরম লাইনীংনা অদুক হাক্লা অয়েৎপা পীরমদবদু মচা ওইবা পামহৈবা নিংথৌ (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) গী সনা হাক্তক্তগীদি অঙকপা ফংনা ঈনাৎ লাইনীংদা মাঙ তাকহনবা থোকখি। হান্না মবুধৌ পুরেন লাকপা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবা (খৃ: ৩৩-১৫৪) দগী মথং মথং মপূং ফানবা শেমগৎলকপা কয়াবু পামহৈবা নিংথৌ মহাকথক্তা পুংমুৎ মুথৎপা য়াবা মওংদা মীরমচাগী মোইথেমদা পংথখি। ঈনাৎ লাইনীংবু মীরম লাইনীংগী মীখা পোলহন্নবা হোৎনবদা মমাঙঙৈগী চৎন-লোনচৎ তুংওইনরগা শেমদোকহৈদবা মৈতৈগী মৈহৌবরোন্দগী লৈজরকপা য়েক সলাই ৭পু অর্য্য ঋষি ৭/৮গী মমিং লৌদুনা মরী শুকলৈ লৈনরক্তবা মৈতৈবু মখাদা পল্লিবা মুনি ঋষিশিংগী চাদা নাওদা, চারোন শুরোননি হায়দুনা গোত্র (বেদগী মতমদা ষণ থম্ফম্মু গোত্র কৌনবা) ওম্থোক্লবা থৌরাং তৌবা হৌরল্লম্মী। চীংউবা মায়চৌ খোংনাংথাবনা তৌদনবা ফনা হায়ববু নিংথেম্না মৱা লৌখিদবদগী শান্তিদাসনা পামহৈবা নিংথৌগী সনা য়াথং ফংবদগী খৃ: ১৭৩৮গী ইঙেন থাগী ১০নি পানবা ইরাইদা অসুম্না শেমদোক্তুনা ইখি।

১) মঙাং/নিংথৌচা সলাইবু - শান্তিল্য গোত্র ওইনা মুনি ঋষি শান্তিল্যগী চাদা নাওদা, চারোন শুরোন ওইনা ওম্থোকখি।

২) অঙোম সলাইবু কৌশিক মুনি ঋষিগী চাদা নাওদা, চারোল শুরোলনি হায়দুনা কৌশিক গোত্র ওম্থোক্লা ইখ্রে। (গৌতম নৎত্রগা ভরদ্বাজ গোত্র)

৩) খুমন সলাইবু মৌদল্য ঋষিগী মচা মশু, চাদা নাওদা হায়দুনা মৌদল্য/মধুগল্য গোত্র ওম্থোকখ্রে।

৪) লুৱাং সলাই চাশিংবুনা মুনি ঋষি কাশ্যপকী মচা মশু, চাদা নাওদানি হায়দুনা কাশ্যপ গোত্রদা ওম্থোকখ্রে।

৫) মোইরাং : (ক) অত্রয় (অরিবা) গোত্র।
(খ) অঙ্গিরশ (অনৌবা) গোত্র।

৬) খাবা : ভরদ্বাজ গোত্র ।
৭) ঙানবা : নৈমিস গোত্র।
} খা-ঙানবা-মৈতৈ খুন্নাইদা হৌজিকসু অদুমক ওইনা লৈরি।

৮) চেংলৈ : বশিষ্টা গোত্র।
৯) লৈশাংথেম : অঙ্গিরশ গোত্র ।
} চেংলৈ-শরাং লৈশাংথেম ওইনা খুন্নাইদা হৌজিকসু লৈরি।

মতাংসিদা ঐখোয়না খন্নবা য়াবদি মৈতৈ খুন্নাইদা হৌজিক ফাওবদা য়েক-সলাই ৭ হায়না লৈবসিদা যূম্ফম ওইরগা য়েক অমমমগী মখাদা মশীং য়াল্লবা শাগৈ কয়ামরুম লৈবসিদা অতোপ্পা য়েক অমগী মখাদা লৈরিবা শাগৈচাশিংগা অহল-লমন হায়না শিংনরগা লুহোংবসি চৎনরি। ৱাখল লৈবা পাখঙ লৈশাবীশিংনা হান্না য়েক হংনরগা মখা তানা নুংশি-নুংওন চথুদুনা লুহোংবা কয়া তৌনবা য়াওরি। "মখোয়দদি মীরমগী গোত্র হায়বসি মুন্না খঙদবনিনা গোত্র হংনরগা, খঙন চান্নবা ওইরগা লুহোংবা নত্তে। অদুনা খুন্নাইদা গোত্র হায়বসি থোইনা মথৌ তাদবগুম উরকই।"

খুদম, কনাগুম্বা পাখঙ লৈশাবী অনীনা হান্না খঙহৌদবদগী/থিজিলহৌদবদগী চেনবা চোঙবা তৌরবা মতুংদা তঙাইফদবা ফীভমদা লুহোংদুনা যূম্বানবা য়াওরকপা মতমদা মদুদগী থোরকপা য়াবা ফত্তবা খরদগী ঙাকথোক্লবা - "য়েক্কা-য়েক্কা নামুংননা লৌন-লৈনবা কোন্নবা থৌরম" হায়বা অমা পাঙথোক্লবসিনা তাক্লিবদি গোত্র হায়বসি মীরমগী ওইবা ৱাফম ওইবনা মথৌ তাদবদা নত্তনা ঈনাৎ লাইনীংদা খোঙচেপ হাইবনি হায়গনি। মৈতৈ নিংথৌশিং/মৈদিংঙুশিংনা যূম্নাক পীদুনা মৈতৈ বামোন ওইহল্লবা লমদমসিগী ওইনা পুকোক ওইখিবা বামোন নুপাশিংনা য়েক-সলাই ওইবা য়েলহৌ চীংমী-তম্মী নিংঙোলশিং লৌরগা মখোয়গী চাদা নাওদা, মচা-মশু ওইরকপগা লোয়ননা মীরম লাইনীং শন্দোক্লবা হোৎনবদা য়েক সলাই লৈরিবা ইনাৎ চাশিংদা অমুক বামোন মখোয়গা চপ মান্নবা 'গোত্র' পীশিল্লবনিনা চীংমী-তম্মী পাখংশিংনা বামোন চনু নিংঙোলশিংগা যূম্বানবদা মখোয় (বামোনশিং) না অদু অদা হয়না করিগী তুকা থিরি। মরম অদুননি 'গোত্রনা য়েক্তা খোঙচেপ হাই' হায়বগী ৱাহম্থোক পীরিবসি। মুন্না খন্থহন্নীংই।

মীরম লাইনীংগী গোত্রনা য়েলহৌমী তম্মী-চীংমী অনীদা খোঙচেপ হাইবগী নোক্লিংবা থৌওং খরা :- তম্মী চীংমী অমদি মৈতৈ/মীতৈ বামোনশিংগা শেৎতোক্লবা য়াদবা মান্নবা মচৎ অমদি মৈতৈ/মীতৈ বামোন চাদা নাউদাশিং লমদমসিদা লৈরিবা মখোয়গী হৌরক্লোন য়েংবদা লমদমসিগী তম্মী-চীংমীশিংগী মচা মশুশিংনি হায়বসি ইরায় লায়না খঙবা ঙম্বসিনি। মালেমসিদা লৈবা তোঙান তোঙানবা খুন্নাইশিংগী চৎনবীদা নুপা-নুপী লুহোংবা মতমদা নুপাগী যূম্নাক শাগৈদা ওনবা/তিনবা হায়বসি চৎনবনা ফুরুপ অমগী চনু নিংঙোল অমনা অতোপ্পা ফুরুপ অমগী নুপাদা লুহোংলবা মতুংদা মপুরোয়বগী যূম্নাক শাগৈদা তিনবা হায়বসি হৌজিক ফাওবদা অদুম চৎনরি। অদুবু লৈঙাকশিংনা শেম্বা লৈবাকশিংগী খুন্নাইগী অতোপ্পা চৎনবী অমগী মখাদা লৈবাক লৈবাক্কী ওইনা লৈরিবা মেরিএজ কোর্ট অমগী চৎনবী মতুংইন্না মতৈ মনাও ওইরবশিংগী চাদা নাওদাশিং লোইনমক মপা ওইরিবদুগী যূম্নাক শাগৈদা অদুম মখা চথনৈ হায়বসি মালেমদা অদুম খঙনৈ।

হায়দবা য়াদবা মতাংদগী থেঞ্জাং নাইনা ময়াং বামোনশিংনা হান্না কংলৈপাক (কোন্নথংদা মণিপুর কৌরকপা) লমদমসিদা মতম মতমগীদা পানখিবা মৈতিংঙু/নিংথৌ/মহারাজশিংগী সনা হাক্তক্তা তোঙান তোঙানবা যূম্নাকশিং (মমাঙদা ইবদা য়াওখ্রবা) পীশিল্লবদা নত্তনা লমদমসিগী তম্মী-চীংমীগী চনু নিংঙোলশিং পীদুনা লমদমসিদা লৈহনবা য়াবীরকখিবনি। ময়াং বামোন অয়াম্বদি মখোয় মশাগী পুন্সিগী হিংবা চঙবগা মমল তিক্লরগা হায়বা য়াবা মওংদা মুসলমানশিংগী মীওৎ মীনৈদগী নাম্থোক্লবা অমদি খরা অমনা মখোয় মশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা লোন্না থুপ্না য়াম্না ৱানা চীংনুং মানুং ফাওনা চঙলকখিবনি হায়বসি লোইনা খঙনরিবনি। কায়নথংদা লমদমসিগী চনু নিংঙোলশিং লৌদুনা খুন্তা লৈতারল্লবা মতুংদা/মতমদা মখোয় মশাগী মশক (আইদেন্টিটি, মরৌ লৈবা মীওইশিং ওইবনা) তাক্লবগী অরোনবা লাল্লোং অমা ময়াং মচা শান্তিদাস গোষাই, পামহৈবা নিংথৌগী মতমদা চঙলকখিবা, কৌবা অসিনা মীনা য়ানীংনি য়ানীংঙোই খন্থদনা থাজনীংঙাই মরমসু শুকলৈ লৈতনা, মরম অমদগী পংথখ্রবা, গরিবনিৱাজ মিংথোল পীশিন-খ্রবা নিংথৌ/মহারাজসিগী সনা হাক্তক্তা ময়াং বামোনশিং অমদি লমদমসিদা মখোয়গী চাদা নাওদা ওইনা শন্দোক্লবা বামোন কাঙলূপশিংগী অমুক তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী অপূনবা কোদ নেম 'গোত্র' ওই হায়না লৌজবনি। য়াম্না নোক্লিংলিবদি লমদমসিগী মীওইশিংবু নমথনবা ৱাখলদগী তম্পাক লমগী মীশিংগীসু হৌরক্লোনদগী মশক তাক্লবা লৈরকপা তোঙান তোঙানবা যূম্নাকশিংগী অমুক অপূনবা ফুরুপ তাক্লবা 'শাগৈ', মসিদগী পাক চাওনা কোনশিল্লগা অমুক শাগৈশিংগী মশক তাক্লবা 'য়েক/য়েক-সলাই' হায়দনা হৌজিক হৌজিকসু লৈরিবসিদা ময়াং মীরম মখোয়গী মুনি ঋষিনি হায়জবা, হীরম খুদিংদা ইরমদমসিগী নিংথৌ/মহারাজ য়াওনা, মখোয়গা মরী মখোঙ শুকশম শম্নদবা মওংদা য়েলহৌমী তম্মী ঐখোয়গী 'য়েক/য়েক-সলাইবু ময়াং মখোয়গী গোত্র হায়বসিগা শম্নহল্লম্বসিনা তুংদা মখোয় ময়াং লাইনীং চৎপশিংদা করি করম্বা মাঙজবা ওইরক্কদগে খঞ্জবা ঙমখিদবসিনা নোক্লিংনবগী মরম ওইহল্লকপসিনি।" মরমদি পামহৈবা নিংথৌগী মতমদা য়াম্না হৈ-শিংলবনি খঞ্জখিবা ময়াং মচা শান্তিদাসকী ৱাখলদদি মহাক মশা য়াওনা ময়াং লমশিংগী বামোনশিংগা, মীরম বামোন নুপাশিংনা লমদমসিগী তম্মী-চীংমী চনু নিংঙোলশিং লৌরগা মখোয়গী চাদা নাওদানি হায়নীংবশিংগা লমদমসিগী গোত্র মচানি হায়জিনবিবদা হরাওজবশিংগা মান্ন-মান্নবা গোত্রশিংগী ঈ মরীনি হায়বসি শান্তিদাস মশা নত্তনা অতৈ ময়াং বামোন অশেংবশিংনা মথক্কী ৱাফমসি য়াগদ্রা হায়বসিনি। ●